# মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট ঙাকপা ঙম্লোইদবা ওইরবদি চীফ মিনিষ্টর ওইরুবগী করি কান্নে



***গুৱাহাটি, মে ১৩ ঃ***
অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱালনা হায়খ্রে, করিগুম্বা মহাক্লা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট ঙাকপা ঙম্লোইদবা ওইরবদি মহাক্লা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লৈবগী অর্থ লৈতে। ৱাফম অসি হন্দক্তা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি ওল সিটিজিনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ না ষ্টেট অসিদা লাক্লম্বগী মতাংদা জর্নেলিষ্টশিংগা ঙসি পাঙথোকখিবা মিটিং অমদা ফোঙদোকখিবনি।

"ষ্টেট অসি অমদি মসিগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোক্লবদি ঐনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈথবগী অর্থ করি লৈবগে ? মরম অদুনা ঐখোয়না অসামগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট ঙাক শেন্নবা হোৎনগনি মসি শোয়দ্রবনি" হায়না চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালনা হায়খি।

পুথোক্কনি হায়না তৌরিবা বিল অসিগী মপূং ওইবা ৱাফমদি আফগনিষ্টান, পাকিষ্টান অমদি বাংলাদেশতগী লাকপা হিন্দু, সিখ, বুদ্ধিষ্ট, জৈন, পার্সি অমদি খৃষ্টানশিং চে চাং অমত্তা য়াওদ্রবসু সিটিজনসিপ পীবনি। করিগুম্বা মখোয়না লৈবাক অসিদা চহী তরুক লৈরক্লবদি মখোয় অসি ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইবা য়াহল্লগদবনি।

"চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা ময়াম পূম্নমক্কা ৱারেপমিন্নবা হায়বসি ঐগী ইথৌনি। ঐহাক ইথন্তনা ৱারেপ লৌরোয়। অসামগী মীয়ামগী মোত লৌরগা ঐখোয়না হীরম অসিদা ফিরেপ অমা লৌগনি" হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

অসাম অসি বাংলাদেশকা য়াম্না শাংবা ঙমখৈ অমা লৈমিন্নৈ। ষ্টেট অসিদা আইনগী ৱাংমদা চঙশিল্লকপা মীতোপকী মতাংদা হিংশাগী থবক হৌখিবা মতমদা য়াম্না থেংনখ্রে।

"ঐহাক্লা নখোয়না মফম অসিদা পীরিবা ৱাফমশিং অসি য়াম্না লূম্না লৌগনি। ঐহাক্লা মসি সেনিয়ার সিটিজন অমদি ইন্টলেকচুয়েলশিংগসু নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা খন্নগনি" হায়না সোনোৱালনা হায়খি।

মী ১৬ না শাবা বি জে পি গী এম পি রাজেন্দ্র অগ্রৱালনা লুচিংবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমনা অসামদা মে ৭ অমসুং ৯ দা লাক্কুনা সিটিজনসিপ এক্ট ১৯৫৫ এমেন্দ তৌনবা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ কী মতাংদা মীয়ামগী মোত লৌখিবনি।

সোনোৱালনা হায়, জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অদু অসামদা লাকহন্দনবা মহাক্লা হোৎনৈ হায়বা মরাল অদু মহাক্কী মথক্তা শীবা লৈ। "ঐখোয়না অসামগী মীয়ামগী মায়োক্তা চৎকদবা ফিরেপ অমত্তা লৌরোই। ঐখোয়না ষ্টেট অসিগী মফম পূম্নমক্তা শান্তি থম্নবা হোৎনগনি। সরকার অসিদা থাজবা থন্বীয়ু। ঐহাক্লা মীয়ামদা শান্তি অমদি নত্তবা থৌদোক থোকহন্দনবা অপিল তৌরি" হায়না মহাক্লা হায়খি।

জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী মিটিং ফল্লিবা মফম অদুগী মমাঙদা এক্টিভিষ্টশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখি। বিল অসি বাংলাদেশতগী মার্চ ২৫, ১৯৭১ গী মতূংদা অসামদা লাকপা বাংলাদেশকী মীতোপ খুদিংমক হলহনখিগদবনি হায়বা অসাম একোর্টকী ৱাফম অদুগী মায়োক্তনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

বঙ্গালিশিংগী মপূং ওইনা খুন্দাবা বরাক ভেলিদদি পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা পীবা ফিটবেক্কী পোইন্ট ৩১৫ অদু বিল অসি শৌগৎতুনা পীখি হায়না ন্যুজ এজেন্সি প্রেস ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়ানা রিপোর্ট তৌরি।

# ইমুং অমগী সুইসাইট বোম্বরশিংনা চর্চতা লান্দাবদা ১৩ শিরে



***জরকাটা, মে ১৩ ঃ***
পীক্লিবা অঙাং অনী য়াওনা ইমুং মনুং অমগী মীওই তরুক্লা সুইসাট বোম্বর ওইনা ইন্দোনেসিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সহর ওইরিবা সুরাবাইয়াদা চর্চ অমদা লান্দাবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিরে অদুগা ৪১ হেনবনা শোক্লে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

মুস্লিমনা খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্না তাবা লৈবাক অসিদা খৃষ্টান মাইনোরিটিশিংগী মথক্তা চথবা তমথিবা থবকশিংগী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবনি।

হন্দক্কী বোম্বিং অসিনা ইন্দোনেসিয়াগী চর্চশিংদা মথং মথং চথখিবা তমথিবা থবকশিংগী মনুংদা মী ১৫ শিহনখিবা মী ১০০ হেন্না শোকহনখিবা ইং ২০০০ গী খৃষ্টমাস ইদতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতূংদা অচৌবা অনীশুবা থৌদোক্নি।

নেস্নেল পুলিসসিপ তিতো কর্নাবিয়ান্না হায়, ইমুং মনুং অদুগী মপা অদুনা কার বোম অমা পোকখাইহনখি। চহী ১৮ অমদি ১৬ শুরবা মচানুপা অনীনা এটেক্ট অদুদা মোতোর সাইকলশিং শীজিন্নখি। অদুগা মমা অদুসু চহী ১২ অমসুং ৯ শুরবা মচানুপী অদুগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা শরুক য়াখি।

কর্নাবিয়ান্না মখা তানা হায়, ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা নীংথিনা কন্ত্রোল তৌরিবা সাইরিয়াদগী ইমুং মনুং অসি ইন্দোনেসিয়াদা হন্দক্তা লাকখিবনি।

অমাক ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙবা পাউ অমগী মতূং ইন্না এক্সত্রিমিস গ্রুপ অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী তমথিরবা থৌদোক অসিগী দাইত্ব লৌখ্রে হায়রি।

# প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী অনৌবা দ্রগ পোলিসিনা ইন্দিয়াদা শোকহল্লকপা য়ারি

***ৱাসিংতন, মে ১৩ ঃ***
য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ঙরাং থাংজ নুমিত্তা মীরৈবাকনা য়ু এস কী দ্রগ মেকরশিংদগী য়াম্না মরম চাদনা মমল হন্থবা মওংদা হিদাক লৈরে হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা অমেরিকানশিংনা চপ মান্নবা হিদাক অদু তাংনা লৈহল্লে হায়রি।

ট্রম্পনা মহাক্কী অনৌবা দ্রগ পোলিসি হৌদোক্লদুনা হায়, অমেরিকাগী 'দ্রগ মেকিং এক্সপার্টিজ' শিং অসি মালেমদা ফ্রিদা পীবা অসি মতম চূপ্পগী ওইনা লোয়শিনহল্লগনি।

য়ু এস প্রসিদেন্টনা মহাক্কী তোপ ট্রেত এদভাইজর বোব লিংথিজরদা 'অমেরিকান পেসেন্ট ফার্ষ্ট' হায়বা পোলিসি হৌদোক্তুনা 'অতাংবা হিদাক্কী মমল' য়ারিমখৈ হন্থহন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

ট্রম্পকী অনৌবা পোলিসি অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াম্না তাংবা ফার্মাসিক্যুয়েল অমদি মেদিকেল দিভাইসশিংগী মমল লেপ্পনবা হোৎনরিবা অসিদা অকায়বা থোকহন্দুনা ইন্দিয়া য়ু এস বাই লিটরেল ট্রেত রিলেসন্দা অকায়বা অমা থোকহল্লগনি।

"অমেরিকানা মখা তানা মীনমদুনা লৈররোই। মরু ওইনা মীরৈবাক্তা মীনম্লরোই" হায়না থাংজ নুমিত্তা হ্বাইট হাউসকী রোজ গার্দেন্দা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা মখা তাখি।

ঐখোয়না অমেরিকান পেসেন্টশিংদা অচুম্বা ৱায়েল পীনবা হোৎনরিবনা মপান লৈবাকশিংদগী ঐখোয়না অচুম্বা ৱায়েল অশা তৌরি। মীরৈবাক্কী সরকারশিংনা মরম চাদনা য়াম্না হন্থবা মওংদা মমলদা অমেরিকাগী হিদাক শাবশিংদগী পোৎ লৌরি। অদুগা অমেরিকানশিংনা রিছার্স অমদি দিভলপমেন্টদা পৈশা য়াম্না চঙহল্লি হায়না মহাক্লা মখা তারি।

হ্বাইট হাউসকী কনফরেন্স হোলদা য়ু এস কী হেল্থ এন্দ হ্যুমেন সার্ভিসেস সেক্রেটরী আলেক আজারনা হায়, ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুথোক্লিবা 'অমেরিকান পেসেন্ট ফার্ষ্ট' হায়বা দোক্যুমেন্ট অসিনা মপান লৈবাকশিংনা অমেরিকাদগী অহোংবা মমলদা হিদাক লৈবদা অথিংবা কয়া পীরক্কনি হায়রি।

# আফগানগী সিটিদা বোম কয়া পোকখাইরবা মতূংদা নোংমৈ কাপ্লখ্রে

***জলালাবাদ, মে ১৩ ঃ***
আফগানগী নোংপোক থংবা সিটি জলালাবাদতা বোম কয়া মথং মথং পোকখাইহল্লবা মতূংদা আফগান সেক্যুরিটি ফোর্সকা মিলিটেন্ট কাঙবু অমগা খূৎ থোক্লবদা ঙসি য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিরে কুন হেনবনা শোক্লে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা হায়রি।

অহানবদা য়ামদ্রবদা বোম অহুম মথং মথং পোকখাইরকখি হায়না নাগাহর প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোক্লদুনা হায়, নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্লবা অদু ষ্টেট একাউন্ট ওফিসকী বিল্ডিংদা চথখিবনি।

ঙসিগী মিলিটেন্ট এটেক্ট অদু আফগনিষ্টান্দা চহী অসিদা মথং মথং চথরকখিবা এটেক্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ইকোন কোনবনি। অয়াম্বা এটেক্টতি আফগনিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা চথখিবনি। অদুবু জনুৱারী থাদা জলালাবাদতা সেল্ফ দ চিলড্রেন এড গ্রুপকী ওফিসতা নোংমৈ পায়বশিংনা লান্দাবদা মী মঙা শিখি মী কুন্দমঙা হেন্না শোকহনখি।

ঙসিগী থৌদোক অসিদা এটেক্টকর অমা বিল্ডিং অদুগী মশাবু পোকখাইহঞ্জরগা নোংমৈ পায়বশিং অদু বিল্ডিং অদুদা চঙহন্নবা হোৎনবা মাল্লি হায়না প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিলগী মেম্বর সোহরাব ক্বাদেরিনা ন্যুজ এজেন্সি রিয়ুটরদা ফোঙদোকখি।

য়ামদ্রবদা এটেক্টকর মরিনা রোকেট প্রোপেলর গ্রেনেটশিং অমদি মেছিনগল পায়দুনা পুলিসশিংগা লাফেংনখি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

## বৈজিংনা ম্যান্মারদা সিজ ফাইয়ার তৌনবা তকশিনখ্রে

***য়ঙ্গোল, মে ১৩ ঃ***
ম্যান্মারগী ফোর্সকা ইথনিক রিভেল গ্রুপ অমগা খূৎ থোক্লবদা মীচম য়াওনা পূন্না ১৯ শিখিবা থৌদোক অদুবু চাইনানা কন্না নিন্দা তৌখ্রে।

খূৎ থোক্লখিবদুনা মরম ওইরগা ২০১৭ কী অঙনবদা অসুম্না খূৎ থোক্লবদা ম্যান্মারগী রিফ্যুজি লীশিং ২০ হেন্না চাইনাগী য়ুনান প্রোভিন্সতা চঙশিল্লকখিবা অদুগী মথক্তা হেন্না চঙশিল্লক্কদ্রা হায়না চাইনানা নুংশা থিরি।

ঙসি য়াঙ্গোলদা লৈবা চাইনাগী এম্বেসিনা খূৎ থোক্লবা অদু নিন্দা তৌরদুনা হায়, "মরী লৈনবা পার্টিশিংনা খুদক্তা সিজ ফাইয়ার তৌনগদবনি।" অসুম্না খূৎ থোক্লবা অসিনা ম্যান্মারদগী চাইনাগী বোর্দরদা মী য়াম্না চেনশিল্লকপগী থৌদোক তোয়না থোকই হায়না এম্বেসেদর অসিনা ফোঙদোক্লি।

# আর্মিনা লুপা ক্রোর লীশিং ১৫ গী খূৎলাই পুথোক্লবা প্রোজেক্ট ফাইনেলাইজ তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ১৩ ঃ***
চহী কয়া খন্ন–নৈনরবা মতূংদা ইন্দিয়ান আর্মিনা মখল খুদিংগী খূৎশু খূৎলাই অমদি তেঙ্ক লৈবাক অসিদা শাদুনা পুথোক্কদবা লুপা ক্রোর লীশিং ১৫ গী প্রোজেক্ট অমা ফাইনেলাইজ তৌখ্রে। মসিনা মতম শাংনা পল্থদুনা লৈরক্লবা খূৎশু খূৎলাই মপান লমদগী লৌশিনবা ঙমদবগী অৱাৎপা অদু মেনখৎলগনি হায়রি।

ওফিসিয়েল ওইবা লীখুন অমনা হায়, প্রাইভেট ফার্ম ১১ না অসিগুম্বা অশা চাওরবা প্রোজেক্ট অসিদা শরুক য়াগনি। অদুগা থবক ওইনা পায়খৎপগী মতাংদা আর্মি অমদি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী অৱাংবা থাক্কী ওফিসিয়েলশিংনা কুপশেন শেন্নগনি। য়াম্না চেকশিন্না পান্নগদৌরিবা প্রোজেক্ট অসিগী অহানবা পান্দমদি লানগী খূৎশু খূৎলাই লমদম অসিদা শাদুনা নুমিৎ ৩০ নি লান শোক্লরবসু খূৎলাই ৱাৎতনবা হোৎনবনি। অদুগা তুংগী ওইনা মপান লমদগী খূৎলাই লৌশিনবা অসি পুমলেপ লেপ্পনি।

"প্রোজেক্ট অসিগী পূন্না চঙগদবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর লীশিং ১৫ নি। অদুগা নোংমৈ মরুশিং ৱাৎতনা পুথোক্লবগী থল্লিবা পান্দমনা চহী ১০ নি" হায়না প্রোজেক্ট অসিদা য়াওরিবা মমিং হায়দোক্লিংদবা অৱাংবা থাক্কী ওফিসার অমনা ফোঙদোক্লি।

অহানবগী ওইনা রোকেট মখল কয়া মরুম, এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম, আর্টিলরি গল, ইনফেন্টরি কোম্বেৎ ভেহিকল, গ্রেনেট লঞ্চর অমদি অতৈ ফিলগী খূৎশু খূৎলাই কয়া অকক্লবা মতমগী মনুংদা পুথোক্কনি।

খূৎলাই পুথোকপা ঙম্বগী পান্দম অসি অহানবা ফেজগী থবক খুতৌ অদু য়েংলগা শেমদোক শেমজিন তৌবসু য়াই।

প্রোজেক্ট অসিগী অকূপ্পা ৱারোলশিং হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা আর্মিগী তোপ কম্মান্দরশিংগী মীফমদা য়াম্না মরিক চুম্না নৈনখ্রে হায়না পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোক্লি।

আর্মিগী চীফ জেনরেল বিপিন রাৱতনা মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেন্দিং আর্মি ওইরিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী খূৎশু খূৎলাইশিং অসি লৈবাক অসিগী অকোয়বগী ফিভম অসি য়েংলগা অথুবা মতমগী মনুংদা লৈশিন্নবা কন্না তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

হৌখিবা চহীগী জুলাই থাদা পার্লিয়ামেন্টতা থমখিবা কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (সি এ জি) গী রিপোর্ট অমদা হায়, হৌজিক লৈরিবা আর্মিগী খূৎশু খূৎলাইগী মখল অসি ১৫৩ গী মনুংদা ৬১ খক্তম লৈ। অদুগা করিগুম্বা লান শোক্লবা তারবদি নুমিৎ ১০ খক্তা চৎকনি।

হান্না লেপথোক্তুনা লৈরবা সেক্যুরিটি প্রোটোকোলগী মতূং ইন্নদি থা অমা লান শোক্লবা কোন্নবা খূৎশু খূৎলাই আর্মিনা লৈফম থোকপনি।

# কর্নাটকাগী মীখলগী ফলগী মতাংদা পার্টি অহুম্না মানা মানা থোকপা হায়নরি

***বেঙ্গলুরু, মে ১৩ ঃ***
কর্নাটকা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল রাজনিটি দল কয়ানা মানা মানা থোকপা হায়নদুনা ভোট খোম্নখ্রবা মতূংদা থাংজ নুমিত্তা ভোটর চাদা ৭২ না ভোট থাদনদুনা লোয়শিনখ্রে।

অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইবা পাম্লিবা রাজনিটি দল অহুমগী হেভিৱেটশিং হায়বদি কংগ্রেসকী সিধরামায়াহ, বি জে পি গী য়েদিরুপা অমদি জনতা দল (সেক্যলর) গী ঐচ দি কুমার স্বামিনা মখোয় মখোয়গী দলনা ষ্টেট অসিদা শক্তি অমুক পায়গনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লরি।

"নরেন্দ্র মোদি অমদি অমিট সাহ য়াওনা মীপুম খুদিংমক্লা বি জে পি অসি কর্নাটকাদা মায়থিরগনি হায়বসি খঙলবনি" হায়না চীফ মিনিষ্টর সিধারামায়ানা ন্যুজ চেনেল এন দি টি ভি দা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি গী চীফ মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেট ওইনা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা য়াম্না কন্না কেম্পেন তৌখিবা বি এস য়েদিরুপানা মহাক্কী পার্টিনা অনৌবা সরকার অমা শেম্লগনি হায়না কন্না থাজরি। "ষ্টেট অসিনা বি জে পি বু শৌগৎলি। ঐনা য়াম্না ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা হায়খিবগুম য়ামদ্রবদা সিট ১৪৪ দগী ১৫০ ফাওবা ফংগনি" হায়না বি এস য়েদিরুপানা পাউমীশিংনা ফোঙদোকখি।

মীখল অসিগী মতাংদা পাঙথোকখিবা এক্সিট পোল ৯ গী এগ্রিগেটতা বি জে পি না সিট ৯৭ ফংদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইগনি। অদুবু মেজুরিটিদি ফংলোই, কংগ্রেসনা সিট ৯০ ফংগনি। অদুগা রিজনেল পার্টি জনতা দল সেক্যুলরনা ৩১ ফংগনি হায়না পারি।

এক্সিট পোলগী মতূং ইন্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি দেবী গৌরাগী জনতা দল সেক্যুলরনা কিংমেকরগী থৌদাং য়ারগদৌরি। "মীয়াম্না হান্ননা লেপখ্রে অমদি জে দি এস তা বোর পীরে। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নখোয়না য়াম্না অঙকপা খরা শোয়দনা উগনি" হায়না দেবী গৌরাগী মচানুপা ঐচ দি কুমার স্বামিনা ঙরাং অয়ূক ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিৎকী মীখল অদুদা ক্রিকেটর অনিল কুম্লে অমদি রাহুল দ্রাবিত, ধর্মগী লুচিংবা চহী ১১১ শুরবা সিদগঙ্গা মুত্ত, সিব সঙ্কর স্বামি অমদি আর্ট ওফ লিবিংগী লুচিংবা শ্রীশ্রী রবি সঙ্করনচিংবা মীয়াম্না শকখঙনরবা মীওই কয়ানা থোরক্তুনা ভোট থাদনখি।

ভোট থাদরিঙৈদা লৌখিবা ভোটরশিংগী মোত মতূং ইন্না পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ভোট মমাঙদা শকখিবা ৱাশকশিং অদু মখোয়না থাজদে। খা থংবা বেঙ্গলুরুগী বসভানগুরিদা ভোট থাদবা থোরকপা নুপা অমনা নোতা নৎত্রগা "নন ওফ দি অবভ" না মফরে হায়না এন দি টি ভি দা ফোঙদোকখি। ভোট মশীং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থিগনি হায়রি।

# চহী ১৪ শুরবা নুপী অমা রেপ তৌবদগী থা অহুম মিরোল্লম্লে

***গুন্টুর, মে ১৩ ঃ***
চহী ১৪ গী নুপী মচা অমা অন্ধ্র প্রদেশকী ময়ূমদা ৱাম্থরকপদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হোস্পিটালদা পুদুনা মেদিকেল চেক–অপ তৌরুবদা মিরোলবা থা অহুম শুরে হায়বা খঙলকখ্রে। হঞ্জিন–হঞ্জিন্না ৱাহং তৌবদা নুপীমচা অদুনা ইকোন কোনবদা মহাকপু তেলিগু দেসাম পার্টিগী ৱার্কর অমনা হঞ্জিন–হঞ্জিন্না রেপ তৌই হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্লা ৱাফম অসি কনা অমত্তদা হায়দোক্তনবা মঙোন্দা লুপা ১০০ পীখি হায়রি।

ইমুং মনুং অদুগা খঙন–চান্নবা চহী ৪৩ শুরবা মবুবভালিনা নুপীমচা অদুবু সোল্ফ ড্রিঙ্ক অমা পীথক্লগা গ্যান মাঙহল্লবা মতূংদা রেপ তৌখিবনি হায়না ইমুং মনুংনা মরাল শীরি।

পুলিসনা নুপীমচা অদুবু গুরাজলা হোস্পিটালদা মেদিকেল কিয়ার পীরি। দরকার ওইরবদি মহাক্লা গুন্টুর হোস্পিটালদা থাগনি। মেদিকেল টর্মিনেসন ওফ প্রোগ্নিন্সিগী উপায় শীজিন্নগদ্রা হায়বদুসু খন্নগনি হায়না গুরুজলাগী দিপ্যুটি সুপ্রিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কে প্রসাদনা হায়রি।

হৌখিবা থাদসু চহী ৬০ শুরবা রিক্সো ড্রাইভর অমনা চহী ৯ গী অঙাং অমা দাচেপলিদা রেপ তৌবগী ৱাথোক অমা থোকখ্রবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নবা অহল অদু মীয়াম হৌরকপদগী নুমিৎ নীনি লৈরগা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজরমখি।

অন্ধ্র প্রদেশকী চন্দ্র বাবু নাইদুনা রেপিস খুদিংমক মীয়াম মমাঙদা থৌরী য়ানহন্দুনা হাৎকদবনি হায়না ফোঙদোকপা ফাওবা লৈখ্রবনি।

## বস অমা চীংখাদা ওন্থবদা ৭ শিরে ১২ শোক্লে

***সিমলা, মে ১৩ ঃ***
প্রাইভেট বস অমা সিমলাদগী কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পা সোলান–রাজগ্রহ রোদতা চীংখাদা ওন্থবদা য়ামদ্রবা মীওই ৭ শিরে অদুগা ১২ হেনবনা শোক্লে। অশোকপা অয়াম্বা সোলানগী রিজনেল হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

বস অদুদা তোংলকপা অয়াম্বা রাজগ্রহদগীনি। মানব তান্না চৎপগী লম্বীদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু নংখিবনি।

সিরমুরগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার ললিত জৈননা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপা মতূং ইন্না মী কনবগী থবক অদু লোয়শিল্লে। বস অদু য়াম্না লুবা লোকখাদা ওন্থখিবনা মরম ওইদুনা অশি–অনা কনবগী থবক্তা অৱাবা ওইখি হায়রি।

খুদোংথিবা অদু করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি হয়না দিপ্যুটি কম্মিস্নার অসিনা ফোঙদোক্লি।

নোংজু পন্থাদা হিমাচল প্রদেশকী চীংগী লমদমদা লৈবা লম্বীশিংদা অসুম্না গারী চীংখাদা ওন্থবগী থৌদোক অসি তোয়না থোকই হায়রি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 01/04/18
Valid : 29/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**BD Gas, Chandel**
Booking : 02/04/18
Valid : 21/03/18
Stk : 252/Commercial Available
Time : 10.00 to 01.00 p.m

**Canchi Gas**
Booking : 07/04/18
Valid : 06/04/18
Stk : 306/19kg 60
Rate : Rs. 761.50
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Athokpam Gas**
Booking : 21/03/18
Valid : 14/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 26/03/18
Valid : 10/03/18
Stk : 306
Sl. No. 21444
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 06/04/18
Valid : 02/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 05/04/18
Valid : 03/04/18
Sl. No. 3000
Time : 07.00 to 11.00 a.m
Rate : Rs. 761/-

**Misao Gas**
Booking : 31/03/18
Valid : 20/03/18
Stk : 316
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 27/03/18
Valid : 22/03/18
Stk : 206
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 02/05/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 10650
Stk : 612/19kg 100
Delivery at Heinoupok Godown

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 16/03/18
Valid : 11/03/18
Stk : 150
Time : 08.00 to 12 noon

**TDK Gas, Sekmai**
Booking : 04/04/18
Valid : 31/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 13/05/18
Valid : 05/05/18
Stk : 612/19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Lambodara Gas**
Booking : 25/04/18
Valid : 20/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 02/04/18
Valid : 27/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৬৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 4 | 2 | 3 | 8 | 1 | 5 | 9 | 7 |
| 3 | 5 | 7 | 4 | 2 | 9 | 8 | 1 | 6 |
| 8 | 1 | 9 | 7 | 5 | 6 | 4 | 3 | 2 |
| 7 | 6 | 5 | 2 | 1 | 3 | 9 | 8 | 4 |
| 9 | 3 | 4 | 8 | 6 | 7 | 1 | 2 | 5 |
| 2 | 8 | 1 | 9 | 4 | 5 | 6 | 7 | 3 |
| 1 | 2 | 8 | 5 | 7 | 4 | 3 | 6 | 9 |
| 4 | 9 | 6 | 1 | 3 | 2 | 7 | 5 | 8 |
| 5 | 7 | 3 | 6 | 9 | 8 | 2 | 4 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1166**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 3 | | | 9 | | |
| 5 | | | | | | | | 7 |
| 8 | | | 1 | | | | | 2 |
| | | | 4 | 7 | 3 | | | 8 |
| | 3 | 4 | 6 | | | | 1 | |
| | 6 | | 5 | 9 | | | | 4 |
| | | | | | | | 6 | |
| 2 | | | 7 | | | | 4 | |
| | 1 | | 9 | 2 | | | | |

RST Resonant Tutorials
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office
Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.